### ৬২শুবা সী সী মীট ২০১৯-২০

# ত্রাও এফ সী লাক্তবনা নেরোকা এফ সীনা ৱাকওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সী অমসুং ত্রাও এফ সী লম্বা তৌনগদবা অদু ত্রাও এফ সী লাক্তবনা মরম ওইদুনা নেরোকা এফ সীনা ৱাকওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি সী সী মীট অসিগী ঙসি শান্নগদবা অনীরকশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অসি হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা আই লীগকী টিম অমা ওইবনা য়াম্না নুংঙাইগনি খন্দুনা ফুটবোলবু পামজবা মীওই কয়া য়েংবা লাক্নখি। অদুবু শান্নগদবা টিম ত্রাও ক্বাকৈথেল লাক্লরোই তাবদা মীওই কয়া নীংবা কায়দুনা হন্নখি।

মেচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা মেচ অসি পোষ্টপোন্দ তৌরে হায়না মাঙজে ানিনা হায়দোকপীরক্তবদা নুংঙাইতবা ফাওই। মেচ অসি য়াম্না নুংঙাইগনি খন্দুনা লাকপনি। আশা কায়রগা হনবা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই। অমরোমদা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউরবা টুর্নামেন্ট অসিদা অসুম্না তৌবা অসিদা নুংঙাইতে। মতুংদা অসিগুম্বা অসি থোক্তনবা অম্ফাদা ফুটবোল লভর অমা ওইনা হায়জরি।

# মঙাশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): মণিপুর টুরিজম অমসুং ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নদুনা হয়েংদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মঙাশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০ পাঙথোক্লগনি।

মঙাশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০ অসিদা টিম তরুক য়ু এস এ, গ্রেট বৃটেন, অর্জেন্টিনা, ইজিপ্ট, ইন্দিয়ন পোলো এসোসিএসন অমদি মণিপুরনা শরুক য়াগনি।




পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনখিবদা মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. সরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্কী চহী অসিদদি ইজিপ্টকী অনৌবা টিম অমা শরুক য়াগনি। মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মখাদা হন্দকসু টুর্নামেন্ট অসি মপূং ফানা পাঙথোক্কনি। মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম ন্যু দিল্লিগী মায়কৈদগী ইন্টরনেসনল টিম চথোক চৎশিন তৌবগী এক্সপেন্দিচরদা মতেং পাংবীরকই। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংদা মখোয়না লৈরিঙৈ মতমদা মণিপুরগী টুরিজম দেষ্টিনেসন লোক্তাক লেক, কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক - ফ্লোটিং ৱাইল্ডলাইফ সেঞ্চুরি, ৱর্ল্ড ৱার টু সিমিত্রি, ওল্ড কংলা ফোর্ট, সনা কৈথেল (নুপী কৈথেল) অসিনচিংবা য়েংহনগনি।

হয়েং হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে সরতচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

## সী এফ এনা ৱাই য়ু ওবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী এফ এনা ৱাই য়ু ওবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। সী এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সর্টো ৱোমৈলেন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ২, তোংমিনসৈ কিপজেন জর্সি নম্বর ১৮ অমদি সোনজালেন হাওকিপ জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০১।২০২০ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৭.২৮ ফাওবা ৱাকচীংগী ২২নি পাল্লি, মতুং ২৩ নি পানগনি।

**মেষ :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না তানীংগনি। অয়েৎপা খরা হান্নগুম চেল্লবসু লাই-গুরুনা চানবীগনি অমদি মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** নুংথিলদা মীচং হেনগৎপা, শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকপা অমদি নক্লবগী মতেং ফংবা লৈগনি। মীয়াম্না চানবসু হেনগনি। হুরানবনদি তাথি অমদি য়েৎনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হোয়া ফগনু অমদি মীৱা লৌগনু-মদুনা নীংবা থুংদবা অমদি কিবা পোকপা লৈগনি। নচা-ননাইগী ৱাখলদা নুংঙাইজগনি, লন ফংই। নাপলনদি মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা হান্নগুম চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লল্লোন ইতিক অমদি লেংদবা লন-থুম লেপশিনবগী লম্দা মায় পাক্কনি। অদুবু নোল্লুকপা অমদি ঈংথবদি তৌদবা য়াদবনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অঙনবদা নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অথেংবদা লাইবক ফগনি, লৌশিং থোক্কনি অমদি অফবা ৱাখল শীজিন্নদুনা পাংবা থৌ খুদিং মায় পাক্লা পাংগনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, মীংচৎ ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লাইবক ফগনি, অফবা থবকশিং পাংহৌরো অমদি পল্লম্বা থবকশিং পাংহৌরো। ঈরাং পুরদি লন মাঙগনি, মীৱা লৌরগা ৱাখল ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**তুলা :** থেংলপ্পা থৌ পাংবগী নুংঙাইগনি অমদি মীয়াম্না থোইনা থাগৎপিগনি। অনম তানবনা মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই, মীকোক থোংবা ৱাগনি। ফিংলদি লন মাঙই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** ৱানোম থৌনোম কান্নবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগদবা নুমিৎনি। শেল-থুমতা নত্তনা ফমথোল ফংবগুম লৈগনি। অদুবু ৱাখল নুংঙাইবদি ফংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** থবক পাংগনি, শেল ফংগনি অমদি য়েক্লবা লৈরম্বা হন্থরক্কনি। অদুবু খুৱৌ থাংবা অমদি মহু চাওবনা ইমুং-মনুংদা য়েংথিবদি লৈগনি। খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নীংবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক লায়না পাংগনি। নুংঙাইবা পাউ তাগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংই। অদুবু নোল্লুকপা য়াওদ্রদি কোক শাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** নক্লবা মীশিংগী মতেং লৌবা ফংগনি, পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপসু থোইনা কান্নগনি অমদি থেংলপ্পা মীংচৎ ফংগনি। অদুবু খন্থবা য়াওদ্রবদি চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবনা নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি অমদি মরুপ মপাংগী ৱা তাবা কান্নগনি। লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা ফংগনি, থিজিনবা কনবগী কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অঙনবদা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Last date of form submission : 10th January, 2020.
- Session starting from 16th January, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-B/5915/27/12-01/20jan



HL-B/5751/24dec-10jan

### নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২০

# পি সী সী ময়ায়কোয়বী অমসুং কে সী দি ও কোংপাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরিয়েন্টেল কোলেজকী শান্নবুংদা চত্থরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পি সী সী ময়ায়কোয়বী অমসুং কে সী দি ও কোংপাল মায় পাকখ্রে।



মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরিয়েন্টেল কোলেজ শান্নবুংদা ঈ এস য়ু অমসুং কে সী দি ও লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ঈ এস য়ুনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে সী দি ওনা ওভর ২৬.২ মায়োক্লবদা ৱিকেট পূম্নমক তুরগা রন ১৫২ লৌবা ঙমখি। কে সী দি ওগী স্কোরশিং অদু কাঙুজম রিঙ্কুনা বোল ৭৭ মায়োক্লবদা রন ৯২, মাইবম নিরসননা বোল ৮ মায়োক্লবদা রন ৯, সলাম রাহুলনা বোল ১৪ মায়োক্লবদা রন ৮ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী পি সুরজনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২, ব্রোকরনা ওভর ৬ মায়োক্লবদা ৱিকেট ২, ৱিলসননা ওভর ২ মায়োক্লবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বেট্টিং তৌবদা কে সী দি ওনা অহানবা ইন্নিংসতা থন্নম্বা টার্গেট ১৫৩ অদু য়ৌবা ঙমদনা রন ৯২দা মায়থীবা নংখি। ঈ এস য়ুগী স্কোরশিং অদু ব্রোকরনা বোল ২৯ মায়োক্লবদা রন ১০, জুনিটনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ৮ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা কে সী দি ওনা বোল্লিং তৌবদা ঙানবনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩, সী ঐচ ফর্নান্দোনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, টি ঐচ লকিনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পী সী সী ময়ায়কোয়বী অমসুং ত্রাও ক্বাকৈথেল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা পি সী সীনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ময়ায়কোয়বীনা ওভর ২৫.৫ মায়োক্লবদা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ১০২ লৌদুনা টার্গেট ১০৩ থমখি। ত্রাওগী মায়কৈদগী ওভর ২৪.৫ মায়োক্লবদা ৱিকেট পূম্নমক তুদুনা রন ৮১ খক লৌদুনা পি সী সীগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। হয়েং লুৱাংপোকপা গ্রাউন্দদা ব্লু হোক অমসুং আর সী সী লম্বা তৌনগনি। ওরিয়েন্টেল/মোদেলদা পি টি সী সী অমসুং ক্রাও লম্বা তৌনগনি।

### এলাংবম পিশক মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স বোল্লিবোল

# ৱাই এম দি ও, কে ৱাই এল এস সী, এম পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিন থোঙাম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা অনীশুবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই এম দি ও, কে ৱাই এল এস সী অমদি এম পি এস সী মায় পাকখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অনীশুবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম দি ও অমসুং য়ু এস দব্লিয়ু সী লম্বা তৌনখি।

মেচ অসিদা ৱাই এম দি ওনা য়ু এস দব্লিয়ু সীবু সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১৯, ২৫-১৩) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এল এস সী অমসুং পি এ এল ৱাই দি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা কে ৱাই এল এস সীনা পি এ এল ৱাই দি এবু সেট ৩-১ (২৫-১৭, ২২-২৫, ২৫-১০, ২৫-২২) দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী অমসুং খুমুকচম ব্রদর লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা এম পি এস সীনা খুমুকচম ব্রদরবু সেট ৩-১ (১৯-২৫, ২৫-১৯, ২৫-১৭, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা কে ৱাই এল এস সী অমসুং য়ু এস দব্লিয়ু সী লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পি এ এল ৱাই দি এ অমসুং ৱাই এম দি ও লম্বা তৌনগনি।

### অহানবা মোইরাংথেম জোধিশচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল

# য়ু বি এফ সী মারখোলিয়ন অমদি সনরাইজ ক্লব কদমতলা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চংখ্রে

জিরিবাম, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা শান্নবা চত্থরিবা অহানবা মোইরাংথেম জোধিশচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ক্বার্টর ফাইনেল লীগকী অনীশুবা মেচতা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়ন অমদি সনরাইজ ক্লব কদমতলা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চংখ্রে। হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল লীগকী অহুমশুবা মেচতা জে বি এফ সী, গিলগাল অমদি জিরি পুলিস লম্বা তৌনগনি।



ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়ননা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফতা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়নগী শান্নরোয় লালরৌনা ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংখি। টিম অসিগী শান্নরোয় ইলানা মেচকী ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়ননা পাঞ্জল ২ শুখি। সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী শান্নরোয় ৱাই জয়চন্দ্রনা মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ মমাঙদা ২-১দা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়ননা সনরাইজ ক্লব কদমতলাদগী মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফ মতুংদা সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী শান্নরোয় ৱাই জয়চন্দ্রনা মেচকী ৪৮শুবা অমদি ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা য়ু বি এফ সী মারখোলিয়নগী শান্নরোয় লালরৌনা মেচকী ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা অপীবা মতমদা টিম অনীনা পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনবদগী মেচ অদু দ্রো চংখি।



HL-P/5803/28-31dec/01-29jan

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com